# ৱেষ্ট ইন্দিজপু ইংলেন্দনা ৩শুবা টেষ্ট মেচতা রন ২৬৯দা মায়থিবা পীদুনা টেষ্ট মেচ ৩গী সিরিজ অদু মেচ ২-১দা থোইদুনা মায় পাকখ্রে

মেঞ্চেষ্টর, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা ৱেষ্টইন্দিজগা শান্নবা টেষ্ট মেচ অহুমগী সিরিজকী অহুমশুবা মেচ অদু ঙসি রন ২৬৯দা ইংলেন্দনা থোইদুনা সিরিজ অদু ২-১দা লৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চহী অসিগী মার্চ থাগী ময়াই চনশিল্লকপদগী শান্নবগী হীরম খূদিংমক লেপহন্দুনা অমদি য়ৈথোক্তুনা লাকখ্রবা মতুং ক্রিকেট মশান্নাগী ওইনা ইহান হানবা ওইনা লৈবাক খরদা শান্নবা য়াদ্রবসু ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা ৱেষ্ট ইন্দিজকা টেষ্ট সিরিজ শান্নবা হৌখিবনি।



টেষ্ট মেচ অহুমগী সিরিজগী অহানবা মেচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাকপা ঙমখি। মদুগী মখা তারকপদা অনীশুবা টেষ্ট মেচতা ইংলেন্দনা অমুক থোইরগা মেচ অহুমগী সিরিজ অদু মান্ননা লৈখিবনি।

থা অসিগী ২৪দগী হৌখিবা অহুমশুবা টেষ্ট মেচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিদা লৈবা ইমিরেটস ওল ট্রাফোর্দ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা লৈবাক অনীনা শান্নখি। মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা রন ৩৬৯ লৌবা ঙমখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওলি পোপনা রন ৯১ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি। অদুগা অতোপ্পা বেটচমেন অহুম জোস বটলরগী রন ৬৭, ষ্টোর্ট ব্রোদকী রন ৬২ অমসুং রোরি বর্নসকী রন ৫৭ পনবা য়াই।

ইংলেন্দগী অপূনবা রন ৩৬৯গী পাউখুমদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী অহানবা ইনিংসতা শুপ্পগী রন ১৯৭ খক লৌবা ঙমখি। লৈবাক অদুগী ইনিংস অদুবু ইংলেন্দগী বোল্লর ষ্টোর্ট ব্রোদনা বেটচমেন ৬ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। ইংলেন্দনা মখা তানা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপদা রন ২২৬ লৌরগা ইনিংস দিক্লেয়র তৌখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংসতা রন ৩৯৯ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী মায়কৈদগী অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপদা য়াম্না শোনবা মওংদা শুপ্পগী রন ১২৯দা টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক আউট ওইদুনা মেচ অদু ইংলেন্দনা ২৬৯দা মায় পাকখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী বোল্লর ষ্টোর্ট ব্রোদনা অনীশুবা ইনিংস অদুদা বেটচমেন ৪ আউট তাহনখিবগা লোয়ননা মহাক্কী করিয়রদা পূম্না টেষ্ট ৱিকেট ৫০০ লৌদুনা ইংলেন্দগী ওইনা অনীশুবা ৱিকেট ৫০০ লৌবা ঙম্বা বোল্লর ওইখি। অতোপ্পা ইংলেন্দগী ৱিকেট ৫০০ হেন্না লৌবা ঙম্বা বোল্লর অদু জেমস এন্দরসননি।

# লিভরপুল এফ সীগী মেনেজর জুরগেন ক্লোপনা এল এম এ মেনেজর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে

লন্দন, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): মালেমগী ফূটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিশ প্রিমিয়র লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ সিজনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা লিভরপুল ফূটবোল ক্লবকী মেনেজর (কোচ) জুরগেন ক্লোপনা লীগ মেনেজরস এসোসিএসন (এল এম এ)না পীবা খ্বাইদগী ফজবা মেনেজরগী মনা অদু ফংখ্রে।



জর্মন মচা জুরগেন ক্লোপনা লমজিং লমতাক্তুনা লিভরপুল ফূটবোল ক্লবনা ২০১৯-২০গী ইংলিশ প্রিমিয়র লীগ সিজনগী ওইনা রাউন্দ ৩৮ শান্নবা লীগ অদুগী অঙনবা শরুক্তা ক্লব অদুগা খ্বাই নক্নবা লম্বাদগী পোইন্ট মশীং কা-হেন্না হেনখিবনা মরম ওইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

লিভরপুল ফূটবোল ক্লবনা ইংলিশ প্রিমিয়র লীগ সিজন লোইশিল্লকপদা মখোয়গা খ্বাই নক্লবা ক্লব অদুদগী পোইন্ট ১৮ হেন্দুনা লৈখি। ক্লব অসিনা রাউন্দ তরেৎ ৱাৎলিঙৈদা ইংলিশ প্রিমিয়র লীগকী ফূটবোল টাইটল অদু ফংবা ঙমখি।

ইংলিশ প্রিমিয়র লীগকী ওইনা লিভরপুল ফূটবোল ক্লবনা য়াম্লবা চহী ৩০গী মনুংদা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি। মেনেজর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা ক্লব অসিগী জুরগেন ক্লোপনা অতোপ্পা ক্লব লিদস য়ুনাইটেদতগী মেনেজর মার্সেলো বেলসা, ৱিকোমবি ৱান্দররসকী জেরেদ এন্সৱর্থ অমদি সিফিল্ড য়ুনাইটেদকী খুস ৱাইল্ডরদগী হেন্দুনা মনা অদু ফংখি।

# আই পি এলগী গভর্নিং কাউন্সিলনা ফিক্সর অমদি এস ও পিগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্লগনি



মুম্বাই, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): ক্রিকেটকী লম্দা মালেম শীনবা থুংনা নৌনা পাম্নরক্লিবা টি-২০ ফোর্মেটকী ওইনা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লীগ টি-২০ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা কুমজা অসিগী ওইনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা য়ারোইদবগী ফীভম লাকপদগী য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবগী ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং টুর্নামেন্ট অদুগী ফিক্সরশিং অমদি এস ও পিগী মতাংদা আই পি এলগী গভর্নিং কাউন্সিলনা ওগষ্ট ২দা মীফম অমা ফম্বগা লাউথোরক্লগনি হায়রি।

আই পি এলগী গভর্নিং কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ব্রিজেশ পটেলনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা, হান্না ওগষ্ট ১দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা মীফম অদু ওগষ্ট ২দা ওইনা য়ৈথোকখিবনি। হায়রিবা ফীভম অদুদা বি সী সী আইগী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি ওফিস বিয়ররশিংনা শরুক য়াদুনা ওনলাইনদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা য়ু এ ঈগী সিটি অহুমদা শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফিক্সরশিং অমদি শান্নরোয়শিংনা মফম অদুদা লৌখৎকদবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং অদুগী মতাংদা কুপ্পা খন্নগদৌরি।

মীফম অদুনা লৌরকপা ৱারেপশিং অদু টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম ৮গী মপূশিং অমদি অতোপ্পা মরী লৈনবা কাঙবুশিংদা পাউ পীগনি হায়রি।

আইপিএলগী গভর্নিং কাউন্সিলগী চ্যেরমেন ওইরিবা ব্রিজেশ পটেলনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পোর্টস মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা মখা তানা ফোঙদোরকখিবা ৱারোলশিংগী মতুংইন্না, আইপিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদু য়ু এ ঈদা চার্টরদ ফ্লাইটশিংদা ইন্দিয়াদগী চৎহন্নবগী খোঙথাং লৌখৎলি।

টিম ৮গী মায়কৈদগী টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগীদমক্তা টিম অমগী ওইনা মীওই ৩৫দগীনা ৪০ ফাওবগী মনুংদগী হেন্দনবসু কাউন্সিলনা খন্নবা লৈখ্রে হায়রি।

মমাংদা পাঙথোকখিবা আই পি এল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংদা চৎনখিবা অদুগুম্না য়ু এ ঈদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিজন অসিগী টুর্নামেন্ট অসিদসু শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুনা চৎথোক-চৎশিনগী ওইবা এরেঞ্জমেন্ট পূম্নমক মশা-মশাগী ওইগদবনি হায়রি।

য়ু এ ঈদা লৈরিবা ইমিরেটস ক্রিকেট বোর্দনা লৌখৎকদবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অবু ধাবি, সর্জা অমসুং দুবাইদা শান্নগদৌরিবা ষ্টেদিয়মশিং অদুদা ভাবোক চঙহনবগী মতাংদা মশীং হন্থবগী ৱাফম য়াওরি। লোয়ননা মীদিয়াগী মীওইশিংসু মশীং য়ামদনবা য়ু এ ঈগী লৈঙাক্লা অতোপ্পা ৱারেপ অমা লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি।

## শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি শেংদোরকখিবা ৱারোল অমদা এসোসিএসন অসিনা ঙরাং থাদোকখিবা চেরোল অমদা এমেচর প্লেয়রশিংগী রেজিষ্ট্রেসনগী মতম অদু কুমজা অসিগী ওগষ্ট ১দগী মে ৩১ ফাওবা হায়না ইখিবা অদুগী মহুৎতা ওগষ্ট ১দগী মথং চহীগী মে ৩১ ফাওবা ওইগদবনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোতিরমোই রোইনা ফোঙদোরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা ভেটরান/মাষ্টরস এথলেটিক্সকী লময়ানবা ওইরম্বা অকোইজম বিনোদকুমার মীয়াম্না অকোইজম তরাকেশ্বর হায়নসু খঙনবা অসিনা চৎলিবা থা অসিগী ২৩দা মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক্স এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা অকোইজম বিনোদকুমার শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মণিপুর মীয়াম্না থোইদোক-হেন্দাক্লা শকখঙনরবা মীওই অমনি। মহাক লৈখিদবদা মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি আর কে চৌরজিৎনা পীরকপা চেরোল অমদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াবগা লোয়ননা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবসু থৌনীখি।

# য়ুঠ ওলিম্পিক্স গোল্ড মেদালিষ্ট জেরেমি য়াওনা নেসনল কেম্পতা লিফটর অহুম শরুক য়ারগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): য়ুঠ ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটিংগী লম্দা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা জেরেমি লালরিননুঙা য়াওনা অতোপ্পা ৱেথলিফটর অনীনা লাক্লিবা চয়োলদা পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুসন ওফ স্পোর্টসতা চথরিবা ৱেথলিফটিংগী নেসনল কেম্পতা শরুক য়ারগনি।

জেরেমি য়াওনা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংখ্রবা ঝিলি দলাবেহ্‌রা অমদি কমনৱেল্ঠ ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা পি অনুরাধা নেসনল কেম্প অদুদা শরুক য়ানবগীদমক ওগষ্ট ৫দা পাটিয়ালাদা থুংলরগনি হায়রি।

ঝিলি অমসুং অনুরাধা ইন্দিয়াদা লোকদাউন থমদ্রিঙৈগী মাংওইননা কেম্প অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবনি। মখোয়না ময়ূমদা ট্রেনিং চথবা য়াদবা মরম্না পাটিয়ালাগী কেম্পসতা পাঙথোক্লিবা কেম্প অদুদা শরুক য়াননবা হায়জরকপনি।

মমাংদা কেম্প অদুদা লৈরম্বা মিজোরাম মচা জেরেমি হৌখিবা থাদা ময়ূমদা চৎলুরবা মতুং অতোপ্পা ৱেথলিফটর অনী অদুগা লোয়ননা কেম্প য়াওদ্রিঙৈগী মাংওইননা নুমীৎ ১৪নিগী ক্বারন্টিন তৌগনি হায়রি।

# জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোক্কদবা দব্লিয়ু টি এ প্রিমিয়র ইভেন্ট কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): মালেমগী টেনিসকী নুপীগী ওইবা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা জপানগী কোনুং টোকিওদা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা পান পেসিফিক ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কেন্সেল তৌখ্রে।




পান পেসিফিক ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা চহী খূদিংগী পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসি চৎলিবা চহী ২০২০গী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংগী শাফগদবা য়েংদুনা কেন্সেল তৌখিবনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই জপানগী নুপীগী টেনিস শান্নরোয় মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী নাওমি ওসাকানা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি। নাকল অমরোমদা, টেনিসকী নুপাগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা লূপ ওইরিবা এ টি পি (এসোসিএসন ওফ টেনিস প্রোফেসনেল)গী টুর অমদি নুপীগী ওইরিবা দব্লিয়ু টি এ টুরশিং অদু চাইনাদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকখ্রবনি।

পান পেসিফিক ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী ওর্গনাইজরশিংগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা দব্লিয়ু টি এগা পূন্না মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নরবা মতুং জপানগী সিটি টোকিওদা ভাবোকয়াওদনা টুর্নামেন্ট অদু পাঙথোক্লবা খন্নরম্বনি। অদুবু টোকিও অমদি অতোপ্পা জপানগী সিটি খরদা নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনরকপদগী টুর্নামেন্ট অদু কেন্সেল তৌখিবনি হায়রি।

কুমজা ১৯৮৪দগী হৌদুনা টোকিওদা পাঙথোকপা পান পেসিফিক ওপন টুর্নামেন্ট অসি নুপীগী টেনিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা অমা ওইরিবনি।

কুমজা ২০১৯দা অহানবা ওইনা জপানগী শান্নেরোয় নাওমি ওসাকানা টাইটল লৌদুনা জপানগী টেনিস পুৱারীদা অহানবা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় অমনা টাইটল লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমখি।

ৱিমেন্স টেনিস এসোসিএসনগী মখাদা কুমজা ২০২০গী ওইনা শেমখিবা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংগী সেদ্যুল্ডশিং অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকপা অমসুং কেন্সেল তৌরকপদগী চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লনবা অমত্তা ঙাইরবা টুর্নামেন্ট অদু সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা পাঙথোক্কদবা কোরিয়া ওপন ৱিমেন্স টেনিস টুর্নামেন্ট অসি খক্তমক ঙাইশিল্লকখ্রে।

পনবা য়াবদি, ৱিমেন্স টেনিস এসোসিএসনগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ৫গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইটলিগী সিটি সিসিলিদা পালরমো লেদিজ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টনা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না পানরি।

টোকিওগী পান পেসিফিক ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী ওর্গনাইজরশিংনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, কুমজা ২০২০গী ওইনা টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোক্লবা মতুং কুমজা ২০২১দা টুর্নামেন্ট অসি জপানগী করম্বা সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বা ৱাফম লৈখাই তাদ্রি।

অতোপ্পা পাউ অমদা জর্মনিগী নুপীগী টেনিসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা এঞ্জেলিক কর্বরনা মহাক্কী মতম কুইনদগী কোচ ওইরম্বা দৈতর কিনমানগা কোন্ট্রেক্ট খায়দোক্লরবা মতুং নৌনা তোর্বেন বেল্টসপু মহাক্কী অনৌবা কোচ ওইনা থৌ পুবগা লোয়ননা মখা তারকপা টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্লনবা হোৎনগনি হায়রি।

## রিএল মাদ্রিদকী দিয়াজ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

মাদ্রিদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): স্পেনগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লা লিগাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা রিএল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর মারিয়ানো দিয়াজ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

চেম্পিয়ন ক্লব রিএল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর মারিয়ানো দিয়াজ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবদগী মথংগী চয়োলদা য়ুরোপকী ফূটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগতা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগা শান্নগদৌরিবা মেচ অদু য়াওবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লৈরি।

ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা, ষ্ট্রাইকর মারিয়ানো দিয়াজ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবসু মশাগী হকচাংফনা লৈবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ূমদা সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা লৈগদৌরি। পনবা য়াই, চেম্পিয়ন্স লীগ ফূটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা রিএল মাদ্রিদ মেঞ্চেষ্টর সিটিগা প্রি কার্টর ফাইনেল লীগকী অহানবা লেগ পাঞ্জল ১-২দা শোৎথদুনা লৈরিবনি। ওগষ্ট ৮দা অনীশুবা লেগ শান্নগদৌরিবনি।

# স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মপান লমদা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকপগী অপাম্বা থমখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী অহুমশুবা তাঙ্কক য়ৌরবা ফাওবদা স্বিমিং পূলশিংদা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইবা য়ারিবা স্বিমরশিংগী ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম লৈরক্তুরবদি স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা স্বিমরশিং অসি অতোপ্পা মীরমদা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্লবগী ৱাখল ফোঙদোরক্লি।

মথং থাগী ৩দগী কোভিদ-১৯গী অনলোককী অহুমশুবা তাঙ্কক হৌগদৌরিবনি। মসিদা স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল মোনল চোক্সিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসকীদমক্তা 'বি' ক্বালিফিকেসন ফংলবা ইন্দিয়াগী স্বিমর তরুক্লা ট্রেনিং চথবা য়াবগী ৱাখল্লোন থম্লি। অদুবু করিগুম্বা অনলোককী অহুমশুবা ফেজ অদুদা স্বিমিং পূলশিং অদুদা স্বিমরশিং অসিনা ট্রেনিং পাঙথোকপা য়ারোইদবগী মমি উরক্লবদি অতোপ্পা লৈবাক্তা ট্রেনিং চথনবগী খোঙথাং লৌখৎলি হায়না চোক্সিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অনলোককী অহুমশুবা তাঙ্কক অদুনা স্বিমরশিং অদুগীদমক্তা কোমথোকপগী খোঙথাং লৌখৎলক্ত্রবদি দুবাইদা স্বিমরশিং অসি ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্লবগী পোরম য়াৎপা হৌরে হায়খি।

স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি অইবা ওইনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা পীবা লৈত্রগসু চীনহায়দা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ফেদরেসন অসিনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর জেনরেলগী থাক্তা ৱারী শানদুনা লৈরি। অদুবু ওগষ্ট ৩গী মতুংদা স্বিমরশিংগী ট্রেনিং তৌফম অমা ইন্দিয়াদা লৈঙাক্লা শিনবীদ্রবদি স্বিমরশিং অসিগী ওলিম্পিক্স শরুক য়াবগী খূদোংচাবা অদু মাঙহন্দনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা ট্রেনিং পাঙথোকপা তারকপনি হায়না ফোঙদোকখি। বি ক্বালিফিকেসন ফংলবা স্বিমরশিংনা 'এ' ক্বালিফিকেসন ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি।

# বিএল চেছ ফেষ্টিবেলদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে



বিএল, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মনুংদা অহানবা ওইনা চেছ শান্ন-রোয়শিংনা বোর্দতা শান্নবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী সিটি বিএলদা পাঙথোকপা বিএল চেছ ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি পূন্না শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা চেছ মশান্নগী ফোর্মেট অহুম, ক্লাসিকেল, রেপিদ অমদি ব্লিতজদা শান্নবনি। ঙসি ক্লাসিকেল ফোর্মেটকী তরুকশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর আর ইদৱার্দকা লম্বা তৌনখি।

পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা অঙৌবা মচু পায়দুনা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর ইদৱার্দকা লম্বা তৌনরকপদা হৌরকপদগী ফীভম ফজনা এটেক চথখি। ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৭১৯ ফংলিবনি। অদুগা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর ইদৱার্দনা ঈ এল ও রেঙ্কিং পোইন্ট ২৬৪৯ ফংলি।

বিএল চেছ ফেষ্টিবেল অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ মথন্তনা শরুক য়ারিবনি। ঙসিগী মেচ অদু পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা শান্নবগী ৪৪শুবা মুভ য়ৌশিল্লকপদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর আর ইদৱার্দনা মশাগী পোজিসন অদু ফুগৎপা ঙম্লোইদবা ফীভমদা লৈখিবদগী দিজাইন তৌদুনা পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা গেম অদু থোইখি।

ঙসিগী ক্লাসিকেল গেমগী তরুকশুবা রাউন্দ অদু মায় পাক্লবা পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা অপূনবা টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ ৫২ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩২.৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা পোলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর রাদোস ৱোস্টাজেকনা রাউন্দ ৫২ শান্নবা লোইশিনবদা ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণদগী শুপ্পগী পোইন্ট ০.৫ হেল্লগা পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা শান্নরোয় ৮গী লম্বা অসিদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি অতোপ্পা ক্লাসিকেল গেমগী তরুকশুবা রাউন্দদা মকোক থোংলিবা পোলেন্দগী রাদোস ৱোস্টাজেকনা জর্মনিগী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর ভিনসেন্ট কেমরগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙম্লদবদগী পোইন্ট ০.৫/০.৫ য়েন্নখি। জর্মনিগী ভিনসেন্ট কেমর রাউন্দ ৫২ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৮ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি।


ঙসি অতোপ্পা গেম অমদা ইংলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর মাইকেল অদামসনা নোরৱেগী নোয়ল ষ্টুদরবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩১.৫ ফংবগা লোয়ননা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

অজরবৈজানগী শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর অর্কাদিজ নাইদিসনা স্পেনগী গ্রান্দমাষ্টর এন্টোন গুইজারোবু মায়থিবা পীরগা পুন্না পোইন্ট ২২.৫ ফংলগা মঙাশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি। এন্টোন গুইজারোনা পোইন্ট ২২ ফংলগা তরুকশুবা পোজিসনদা, লোয়ননা নোরৱেগী নোয়ল ষ্টুদরনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা তরেৎশুবা, অদুগা ঙসি হরিকৃষ্ণনা মায়থিবা পীখিবা ফ্রান্সকী আর ইদৱার্দনা পোইন্ট ১৩.৫ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

হয়েং ফেষ্টিবেল অসিগী ক্লাসিকেল গেমগী তরেৎশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর হরিকৃষ্ণনা স্পেনগী এন্টোন গুইজারোগা লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা গেম অদুদা মহাক্না মায় পাক্লবা অদুগা নম্বর ৱানদা লৈরিবা ৱোস্টাজেক দ্রো চৎপা নৎত্রগা মায়থিবা তারবদি টাইটল অদু হরিকৃষ্ণনা ফংগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী প্রিন্সপাল সিংহনা এন বি এ জি লীগকা খূৎয়েক পীনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল শান্নরোয় প্রিন্সপাল সিংহনা এন বি এ একাদেমিগী অহানবা গ্রেজ্যুয়েট অমা ওইনা এন বি এ জি লীগতা শান্ননবা খূৎয়েক পীনখ্রে।




পঞ্জাবতগী হৌরকখিবা মশাগী মরেপ ফুট ৬ ইঞ্চি ১০ ৱাংবা প্রিন্সপাল সিংহনা মথংগী সিজনদা এন বি এগী জি লীগতা শান্নবা য়াওগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, প্রিন্সপাল সিংহ মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াখ্রবা শান্নরোয় অমনি। এন বি এ জি লীগকী প্রসিদেন্ট সরিফ অব্দুর রহিমনা ফোঙদোরকখিবদা, লীগ অসিদা ইন্দিয়াগী এন বি এ একাদেমিগী গ্রেজ্যুয়েট অমা ওইরিবা প্রিন্সপাল সিংহনা প্রোফেসনেল বাস্কেটবোলগী লম্খেলদা খূদোংচাবা অমা পীবা ঙম্লিবা অসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক-শিংদা এন বি এগী একাদেমি কয়া লৈরিবা অসিগী মনুংদা প্রিন্সপাল সিংহনা ইন্দিয়াগী ওইনা অহানবা ওইরি। এন বি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি ইন্টরনেসনল বাস্কেটবোল দিভলপমেন্টকী মকোকসু ওইরিবা ট্রোই জষ্টিসনা ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা প্রিন্সপাল সিংহনা মশাগী ওইবা য়াম্না হোৎনবা কনবা অদুগী মতুংইন্না ফংলকপা মহয়না ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোলগী লম্দা অহানবা ওইনা এন বি এগী জি লীগতা শান্নবা ঙমগদৌরিবনি।

এন বি এ জি লীগ অসিনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা বাস্কেটবোলগী করিয়র অমা পীননবা খ্বাইদগী খূদোংচাবা মফম অদু ওইরিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com